


# সনালৈবাক স্পোর্টস






*ৱার্ল্ড কপ অমদা খ্বাইদগী য়াম্না ৱিকেট লৌবগী গ্লেন মেকগ্রাথকী চহী ১২ শুরবা রেকোর্দ অদু থুগাইখ্রবা ৱিকেট ২৭ লৌখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিটচেল ষ্টার্ক*

*স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বার্সেলোনাদা কুমজা ২০২২ ফাওবা শান্ননবগী সাইন তৌখ্রবা ইংলিশ মচা লুই বেরি*

## ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীরন্নগা আই সি সি ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নরগনি



*বিরমিংহম, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দ অমসুং ৱেলসনা পুন্না য়ুম্বু ওইদুনা চখরিবা আই সি সি ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুম্বু ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা চাওনা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা ন্যু জিলেন্দগা শান্নরগনি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী টোস ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ৫০ শান্নবা ঙমদনা ওভর ৪৯ দা ৱিকেট ১০ মক আওট ওইরগা রন ২২৩ লৌরমখি।

ওষ্টেলিয়াগী বেট্টিং হৌবদগী ফিভম শোকখি। টিম অসিগী অপুনবা রন ১৪ শুরকপদা বেটসমেন ৩ আওট ওইখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নর রন ৯ খক লৌরন্নগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর অমদি টিম অসিগী কেপ্টেন আরোন ফিন্স রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন ষ্টিভ স্মিথ অমদি ৫শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা এলেক্স কেরিনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোর অদু রন ১০০ লাম্বোকহল্লকখি।

এলেক্স কেরি বোল ৭০ মায়োক্লবদা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৪৬ লৌরন্নগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা মার্কস ষ্টোইনিসসু শুপ্নগী রন ৬ খক লৌরন্নগা আওই ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা গ্লেন মেক্সৱেলসু বোল ২৩ মায়োক্লবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ২ য়ৈরগা রন ২২ লৌরন্নগা আওট ওইখি। ৩শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা ষ্টিভ স্মিথনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স ওইনা বোল ১১৯ দা ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৮৫ লৌরমখি।

৯শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা মিটচেল ষ্টাক্সু বোল ৩৬ দা ফোর ১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২৯ লৌরমদুনা টিম অসিগী অপুনবা স্কোর অদু ওভর ৪৯ দা ৱিকেট ১০ আওট ওইরগা রন ২২৩ লৌরমখি।

ইংলেন্দগী বোল্লিংদা খৃস ৱোক্স অমদি অদিল রাসিদনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন ৩ / ৩ আওট ওইহন্দুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্লবগী রন ২২৪ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ৩৩শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা শুপ্নগী ৱিকেট ২ খক আওট ওইরগা রন ২২৬ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অসি ইংলেন্দনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম ফজরকখি। অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ১০০ লাম্বোকহনবা ঙমখি। ওপনর জোন্নী বেয়রষ্টো বোল ৪৩ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৩৪ লৌরন্নগা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর জেসন রোইনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৬৫ দা সিক্স ৫ অমদি ফোর ৯ য়ৈরগা রন ৮৫ লৌরমখি।

নৌনা চঙলকখিবা বেটসমেন জো রুট অমদি কেপ্টেন ইওন মোরগাননা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৪৯ অমদি ৪৫ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু য়াম্না চাওনা ৱিকেট ৮ দা মায় পাকপা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## ইন্দিয়াগী জেরেমী লালরিন্নুংগা অমদি অচিন্টানা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড লৌখ্রে

*এপিয়া (সামোৱা), জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
সামোৱা আইলেন্দগী কোনুং এপিয়াদা চখরিবা কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী নুপা ৱেঠলিফটর জেরেমী লালরিন্নুংগানা অনৌবা রেকোর্দ অহুম থমদুনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, অচিন্টা সেউলিসু গোল্ড ফংখ্রে।

কম্মনৱেল্‌ঠ ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কেজি ৬৭ কী কেটেগোরিদা য়ুঠ ওলিম্পিক্স গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী জেরেমী লালরিন্নুংগানা স্নেটচতা কেজি ১৩৬ থাঙ্গৎপা ঙমদুনা য়ুঠ ৱার্ল্ড, এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ অমদি কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ১৬ শুরবা মিজোরাম মচা জেরেমী লালরিন্নুংগানা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা চাইনাগী সিটি নিংবোদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা স্নেটচতা কেজি ১৩৪ থাঙ্গৎতুনা য়ুঠ ৱার্ল্ড অমদি এসিয়ানগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখি।



*অনৌবা রেকোর্দ অহুম থমদুনা গোল্ড লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী লালরিন্নুংগা*

জেরেমী লালরিন্নুংগানা ঙসি পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অদুগী ক্লিন এন্দ জর্গতা থাঙ্গৎখিবা অরুম্বা অদুদি ওলিম্পিক ক্বালিফিয়িং ইভেন্টকী গোল্ড লেবেলগী স্কোরদি য়ৌবা ঙমখিদে।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটরশিংনসু ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা ঙসি হুম্নিচনবা নুমিৎতা গোল্ড ৪, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৭ লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী ইলাইট অমদি জুনিয়র সেক্সনদা ইন্দিয়াগী ৱেঠলিফটর অচিন্টা সেউলিনা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১৩৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৬৯ পুন্না কেজি ৩০৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র অমদি য়ুঠকী কেজি ৭৩ গী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী এল সদানন্দ সিংহনা ব্রোঞ্জ অমদি গোল্ড লৌবা ঙমখি। মহাক্না স্নেটচতা কেজি ১২৪ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৫১ পুন্না কেজি ২৭৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌখি।

জুনিয়রগী কেজি ৬৭ তা ইন্দিয়াগী গুলাম নভীনা স্নেটচতা কেজি ১১৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১৫৯ পুন্না কেজি ২৭৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল ফংখি।

নুপীগী ইলাইটকী কেজি ৭৬ তা ইন্দিয়াগী মনপ্রিত কোরনা স্নেটচতা কেজি ৯১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৬ পুন্না কেজি ২০৭ থাঙ্গৎলগা সিলভর ফংখি। জুনিয়র নুপীগী কেজি ৭৬ কী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ৱেঠলিফটর আর অরোকিয়া এলিসনা স্নেটচকা কেজি ১০৯ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১০৯ পুন্না কেজি ১৮৮ থাঙ্গৎলগা সিলভর ফংখি।

## নাইজেরিয়া অমদি সেনেগাল অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*কাইরো, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
ইজিপ্তনা য়ুম্বু ওইদুনা চখরিবা অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা মায় পাক্লুনা নাইজেরিয়া অমদি সেনেগাল সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নাইজেরিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নাইজেরিয়া অমদি সাউথ অফ্রিকানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা মিনট ২০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংনা চখরকখিবা এটেক অমদা সামুয়েল চুক্কেজেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপা অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা লাকখিবা অদু নাইজেরিয়াগী দিফেন্দরশিংনা ফজনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকহন্দনা ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হনে দাক্লবা এটেক কয়া চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৭১শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোই বোনগানি জুঞ্জুনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৯শুবা মিনটতা নাইজেরিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ৱিলিয়ম পোল ত্রুষ্ট ইকোংনা পাঞ্জল অমা চনশিনবা ঙমদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু নাইজেরিয়ানা সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

অফ্রিকা কপ ওফ নেসন্স ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সেনেগালনা বেনিনবু ১–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টিম অনীনা অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫ গী মতম অদু শান্নরকপদা অকনবা এটেক কয়া তৌনদুনা লাকখ্রবসু পাঞ্জল ওম্বোকপা ঙম্নদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬৯শুবা মিনটতা সেনেগালগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ইদ্রিসা গানা গুইয়েনা মেটচকী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মখোয়না বেনিনবু ১–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।



## রোমানিয়াগী হালেপ অমদি য়ু এসকী সেরেনানা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল শান্নরগনি

*লন্দন, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চখরিবা চহী অসিগী খ্বাইদগী চাওবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমদি য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মস লম্বা তৌনরগনি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ৮শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাবু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেটতা রোমানিয়াগী হালেপনা য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনাগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরকখ্রবসু রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা স্বিটোলিনাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা অনীশুবা মেটচতা ১১শুবা সিদেদ য়ু এস এগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা চেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



অহানবা সেটতগী হৌরগা য়ু এসকী সেরেনানা চেক রিপব্লিক্কী ষ্ট্রাইকোভাবু লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখি। সেট অদু সেরেনানা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদসু য়ু এসকী সেরেনানা চেক রিপব্লিক্কী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।


চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ১১শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী নিকোলাস অমদি ইদোৱার্দ ভেসেলিননা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোদিগ অমদি স্লোভাকিয়াগী ফিলিপ পোলাসেকপু ৬–২, ৭–৬(৯–৭), ৭–৬(৭–২) দা মায়থিবা পীরন্নগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন, প্রনোই অমদি সৌরভ ভর্ম য়ু এস ওপন বেদমিন্টনগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ফুল্লরটন, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
য়ু এস এগী সিটি ফুল্লরটনদা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা য়ু এস দোল্লর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর লক্ষ্য সেন, ঐচ এস প্রনোই অমদি সৌরভ ভর্ম মায় পাক্লুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ৬শুবা সিদেদ লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপপু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১১, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

লক্ষ্য সেননা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সৌরভ ভর্মগা লম্বা তৌনরগনি। সৌরভ ভর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইংলেন্দগী শান্নরোই টৌবী পেন্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২১–২৩, ২১–১৫, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।




য়ু এস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা জপানগী য়ু ইগারাসিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ২১–২৩, ২৪–২২, ২১–১৮ দা থোইরন্নগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌদুনা সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিগা লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী হিও ক্বাং হিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী পাব্লো এবিয়ানপু ২১–১৬, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই কুদ্রাভালি ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই সাউথ কোরিয়াগী কিম গিয়া ইউনগী মখূত্তা ১১–২১, ৮–২১ দা মায়থিহৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবী জাপানাগী মিচেল লিনা অহানবা রাউন্দদা য়ু এসকী শান্নরোই জেনী গাইবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১০, ২১–৯ মায়থিবা পীরন্নগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

## প্রধান অমদি উরৱসি ওল ইন্দিয়া স্কৱাস ওপনগী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মুম্বাই, জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
মহারাষ্ট্রগী অভিসেক প্রধান অমদি উরৱসি জোসি ওল ইন্দিয়া স্কৱাস ওপনগী নুপা অমদি নুপীগী কাঙলূপ্তা ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ওল ইন্দিয়া স্কৱাস ওপন অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা মহারাষ্ট্রগী শান্নরোই অভিসেক প্রধাননা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই আইস্বারী সিংহবু ১১–৯, ১১–৫, ১১–৩ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল চঙখ্রে।

মহারাষ্ট্রগী অভিসেক অগরৱালনা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই রোহিট কদমবু ১১–৪, ১১–৩, ১১–৭ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেলদা মহারাষ্ট্রগী অতোপ্পা শান্নরোই অভিসেক প্রধানগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা মহারাষ্ট্রগী শান্নরোই অনী উরৱসি জোসি অমদি নাভমী শর্ম্ম লম্বা তৌনরগনি।

উরৱসি জোসিনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ষ্টেট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই প্রাপ্তি সালুনকেবু ১১–৩, ১১–৬, ১১–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা নাভমী শর্ম্মনা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা টিমমেট মেহক গুপ্তবু ষ্ট্রেট গেম ১১–০, ১১–১, ১১–৪ দা মায়থিবা পীরন্নগা ফাইনেল য়ৌরকখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ য়াওনবা সুলদা থুংখ্রে

*সুল (জর্মনি), জুলাই ১১(এজেন্সি)ঃ*
জর্মনিগী সিটি সুলদা থা অসিগী ১৪ দগী শান্নবা হৌগদৌরিবা জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিং অমদি ওফিসিয়েলশিং সিটি অসিদা থুংখ্রে।

চত্থগদৌরিবা জুনিয়র ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা মেম্বর ৫৪ না শাবা কন্টিজেন্ট থাদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি। য়ুম্বু লৈবাক জর্মনিনা মেম্বর ৪০ না শাবা কন্টিজেন্ট ওইদুনা অনীশুবদা লৈরি।

জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিদা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ৫৫ দগী লাকপা সুট্টর ৬৫২ না মেডল ফংনবগীদমক হোৎনগদৌরি। জুনিয়র সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ অসিদা শরুক য়াগদবা মরুওইবা লৈবাকশিং অদুদি রুশিয়া (৩৬), চাইনা (৩৪), চেক রিপব্লিক (৩৪), ইটালি (৩২), য়ু এস এ (৩১), বৃটেন (২৯), ফ্রান্স (২৮), পোলেন্দ (২৫) অমদি জপান (২০) নি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মমাঙগী ইদিসনদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১৫ গা লোয়ননা পুন্না মেডল ২৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইখি। অদুগা চাইনানা গোল্ড ৬ কা লোয়ননা পুন্না মেডল ২১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি।

শ্রেয়া অগরৱাল, অনিস ভনৱালা, আর্জুন সিংহ চিমা, মেহুলি ঘোস, হ্রিদে হজারিকা, ভিভান কাপুর, মনিসা কির, উদয়ভির সিদ্ধু, ভিজয়ভির সিদ্ধু, আদর্স সিংহ, ইসা সিংহ, আইস্বারিয়া প্রতাপ সিংহ টোমর, ইলাভেনিল ভালারিভান মেডল ফংগনি হায়না পানরিবা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনি।


### TRANSFER OF OWNERSHIP

This is hereby informed that **M/S P.I.S. Brick Field** operating under Factory **Licence No. 105/FACT/Brick** located at Wangjing Saban Checkon Leikai, P.O. Wangjing Thoubal District will change ownership from the present owner namely **Shri Paonam Kebisana Singh** Wangjing to **Smt. Paonam Memcha Devi**, Wangjing on the demise of Shri Paonam Kebisana Singh.

Any objection should reach Chief Inspector of Factories and Boilers cum Director of Trade Commerce & Industries Manipur within 14 (fourteen) days from the date of publication.

Sd/-
Philip Paonam
# 9650834413

*SL/5075/10,11 &12*


ক্রোসৱার্দ ২১৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | T | E | | A | B | L | E | | P | A | P | A |
| A | S | H | E | S | | G | A | I | N | | E | R | A | S |
| R | E | A | M | S | | U | S | E | R | | R | E | S | T |
| T | A | R | P | | | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| | | P | T | A | S | | | | L | O | O | S | E | R |
| E | V | E | | S | T | A | R | T | L | E | D | | | |
| P | I | N | | P | A | R | E | R | | D | I | N | G | O |
| I | S | E | E | | T | I | N | E | S | | C | O | I | N |
| C | A | R | A | T | | S | T | A | L | E | | I | N | C |
| | | | S | E | M | E | S | T | E | R | | S | S | E |
| A | L | P | I | N | E | | | | W | E | R | E | | |
| R | O | U | N | D | T | R | I | P | | | A | L | T | O |
| O | G | L | E | | R | I | D | E | | S | T | E | I | N |
| M | I | S | S | | I | C | E | R | | A | I | S | L | E |
| A | C | E | S | | C | H | A | T | | N | O | S | E | S |